# ‘নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূখৎকদবনি’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



মতম অমদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা শক্তি লৈনা নীংখা তম্না পাল্লম্বা, মশাগী পুৱারী চহী লিশীং অহুম হেল্লবা মণিপুর অসি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরে। মণিপুরগী নেশনেলিজম শাগৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা মীতৈশিং ঙসিদি মশাগী মরমদমদা ওন্থোক্লা ৱানা খাঙলে। নার্কো কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমনা লান্দারকপদা মীতৈশিং অৱা-অনা, মীশি-মীনা নংলে। শাংলবা মণিপুরগী পুৱারীদা থোকখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা (কুমজা ১৮১৯-১৮২৬) গী হেক মতুংদা নংলিবা অৱাবনি হন্দক্কীসি। চহী তরেৎ চূপ্লা খুন্তাক লানশিরবা, মীতৈশিং মথৱায় হিংননবা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা শৈদাংফম লৌনরবা, ৱানা খাঙলবা মতমদুদা নিংথেমচা হেরাচন্দ্রনা মহাক্কী মীতৈ লান্মী খোঙলোইশিংগা অৱা লান্মীশিংগী মথক্তা অকনবা গুরিলা ৱারফ্যের চথখি। অমরোমদা, নিংথেমচা গম্ভীরসিংহ অমসুং শাগৈগী মনাও নিংথেমচা নরসিংহ অনীনা বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী মতেং লৌদুনা মণিপুর লেভি শেমগৎখি। অসুম্না নিংথেমচা গম্ভীরসিংহ অমসুং নরসিংহ অনীনা লুচিংদুনা মীতৈ লান্মীশিংনা অৱাশিংবু নীংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তান্থোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিল্লক্তুনা তংদু লৈতানা পানখি। অদুবু অৱা লান মনুংদা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেন্নখিবা মীতৈ কাঙবুদি অয়াম্বনা মখোয়-মখোয়না চঙজফম লৌনখিবা মফমদুদা অদুমক খুন্দাদুনা লৈনখি। খঞ্জিল্লুরবদি পূক্নিং য়াম্না নুংশিনীংঙাইহনি। মীতৈ মশেল ওইজরবসু মখোয় মখোয়না খুন্দাখিবা মফমদুগী লোল, চৎনবীদা চুশিনখিবনা ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা খুদম ওইনা বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈশিংগা ম্যান্মারগী মন্দলেদা খুন্দারিবশিংগা ওন্থোক্লা খেন্নরি। পূম্নমকসি কনানা ওইহনখি।

মীতৈশিংনা অৱা-অনা নংখিবা ‘অৱা লান’ গী মতুংদা ঙসি অমুক নার্কো কুকি টেররিষ্ট খূৎপু খরগী লান্দাদা মীতৈশিং অৱাবা নংলে। মশাগী মরমদম মণিপুরদা মীতৈ অমত্তা মখাগী লম্বীদা ঙমখে য়ৌনা চৎপা ঙমদ্রে। জিরিবাম ওইরসু, দিমাপুর চৎকেবু হায়রসু নোংথক লম্বীদা চৎপা তাবনি ‘হৱাইচপল তোংবা মীসু হৱাইজহাজ’ তোংহনগনি হায়খিবদু চপ চানা থোক্লরে। খেন্নবা হায়ববু মসিনা চৎফম লৈতবগী তঙাইফদনা চৎতবা য়াদবগী শেঞ্জাও তিংথোক্লগা চৎপনি। শেল পায়বশিংদা করিসু লৈতবা শেনফম ওইরসু লায়রবশিংদদি ওন্থোক্লা চাউখ্রবা শেনফম্মি। মীচম মীয়ামদি তোকথোকখ্রদনা মিনিষ্টর, এম এল এ ওইরিবা মীতৈ মচাশিং মখোয় ফাওবা সিক্যুরিটি গার্দ য়াওদনা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ঙমদ্রে। ওন্থোক্লা ঙকপা মতৌনি হন্দক্কী মতাংসি। মণিপুরগী পুৱারীদাময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা তাঙ্কক কয়া অমা হায়বদু ওইরে।

ঐখোয় মীতৈ মীচম মীয়ামদি ইচম চম্না খন্নখি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসি হৌরকখিবা ‘কৈসু কুইরোইদা’ হাপ্তা অমা ফাদনা অদুমক ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা খূৎশম্নদুনা লোইশিনখ্রনি হায়দুনা। অদুগদি হাপ্তা অমদগী থা অমা, থা অমদগী অনী, সুম-সুম হৌখিদুনা চহী অনী শুজিল্লকপা খঙহৌররোই। অখঙ-অহৈশিংগী খন্ন-নৈনবা, মীচম মীয়ামগী মত ময়ামসিনা লমদমসিগী প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পাউ ওইদুনা লাকখিবনি। অদুমকসু ওইদুনা লৈখিগনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱারোইশিন অমা পুরকপগী মশক উবা ঙমদে। কুকিশিংগী দিমান্দদি অদুমক তাল্লি। কুকিশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ মণিপুরবু মচেৎ তানা কায়হনবনি। বি জে পিনা লুচিংলিবা নেশনল দেমোক্রেটিক এল্লাইএন্সকী শাসন মওং অনৌবা ষ্টেটশিং মচা পোকথোকহনবগী থৌওং উরিবশিং অসি য়েংলবদি মণিপুরগী মীয়ামদা অদুমক চিংনবা ফাওহল্লি। অমুকসু মণিপুরদি নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইদুনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াদা পুনখিবনি হায়বসিসু মীয়াম্না নীংশিংই। অসুমক নাখে অমা ইশেং শেংদনা মণিপুরগী মীতৈ মীয়াম ৱাদুনা লৈরি। চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা খুন্দা লৈতানা লৈজবা ফংদবা মসিগী পূন্সি মহিংসিবু করম্বা পূন্সি মহিংনো। হায়বদবু লায়রবা অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। মসিদনি অৱা চৈথেং নংলবশিংনা তত্তনা হংদুনতা লৈরিবসি মীচম মীয়াম ঐখোয়গী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকপীনবা লৈঙাক শাসন লৈত্রবরা, মপী মপাশিং কদাইদা চৎখ্রবগে হায়দুনা।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা মীতৈশিংগী লৈফমশিংদা নোংমৈ, বোম কাপথবা লেপত্রি। মণিপুরগী ঈরাং লোইবা নাইররোই মণিপুরসি মচেৎ তাহল্লগা কুকিশিংগী দিমান্দসি পীথোকখ্রসি হায়না খন্নবগী ইথিল অমা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা ফাওহন্নবগী থৌওংনি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌরিবা থৌওং অসি। কুকিশিং শেঞ্জাও পায়রে মরমদি দ্রগকী করবার চাউনা তৌবনা। ম্যান্মারদগী আইন কায়না হাইজিল্লকখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগা লমদমসিগী কুকিশিংগা মান্নরগা মণিপুরগী মতা ফবা চীংমাইদা হৌবা মমল য়াম্লবা কান্নরবা উপাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা পাক শন্না পোপী পাম্বী থারে। দ্রগকী করবার চাউনা তৌরে। মণিপুরবু অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল ওইহন্নবা হোৎনরে। নাকল অমরোমদা উমং-ৱামং পাক শন্না কোকথোকখিবনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা পীরে। নোং খিত্তং তাবগা ঈচাও থোক্লে, লেন্দস্লাইদ, মদ স্লাইদনা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা অৱাবা পীরে। উৱা-ৱারানা ঈশিং চূপশিন্দুনা চহী চূপ্পা ঈশিং ৱাৎলোইদবদু উমং-ৱামং অয়াম্বা কোকথোকখিবনা ‘চীংজুম লাইজ’ কংখিবনা নীংথম থাদা তম্পাক্কী অয়াম্বা তুরেলশিং কংবগী ফীভমদা লাক্লে। অৱাবনি ইরমদম।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তান্দুনা ‘ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ রেল্লি অমা চৎশিন্নরগা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লানসিগী মমাঙদদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ‘ৱার ওন দ্রগস’ কী শরুক অমা ওইনা পোপী পাম্বী য়ান্থৎ-খোৎতৎপগী থবক খরসু তৌখি। হৌজিক্তি কুকি মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তগী ‘লিবরেটেদ জোন’ অমগুম্না ওপরেট তৌরিবা এরিয়াশিংদা ষ্টেটকী ফোর্স অমত্তা চঙশিনবসু ঙমদরে। অদুদি মখোয়না কন্ট্রোল তৌরিবা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা বফর জোন, রেদ জোন কাইনা খায়দোকপীদুনা ঙাকপী শেনবীরিবা মফমশিংদুদদি অরোইবী থাদুনা পোপী পাম্বী থাবা, কানি শুংবনচিংবা তৌদুনা মনীং তম্না লেল্লম্মি। মদুগুম্বা মখোয়না মনীং তম্না দ্রগ শুংবা য়ানবা লম অমনি মখোয়না তাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়গেরা, য়ুনিয়ন টেরিটরি হায়গেরা হায়নীংবা অমা হায়রসু মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তান্দুনা মণিপুরদা মীশি-মীনা থোকহন্দুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লিবসি। অমরোমদা, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংদা খুদোম্বী অমুক্তং থাঙ্গৎতুনা মীতৈদা লান্দাবা লেপ্পু হায়বতদা লানসি লেপখিগদবনি। অদুবু তৌদে। নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাবা হায়বসি মণিপুরী সিভিলাইজেশনবু চাউনা শিংনবনি। মখোয়গী দিমান্দ মরম চাদবা দিমান্দনি। অঙাং নীংঙাই ফত্তবনা নীংঙাই তৌবগুম্বনি। য়াদে হায়বা অমা খঙহনবা মথৌ তাই। মালেমগী মিলিটরিগী শক্তিগী লমজেলদা মরিশুবা পোজিশন্দা লৈ হায়রিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগী মমাঙদা করিসু তৌবা ঙমদ্রিবসিবু করিগীনো?

লোইশিল্লকপদা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবগী মথক্তা মীওইবা খুন্নাইসিবু দ্রগকী লাংদা থুহন্দুনা মহাম তাহন্নবা হোৎনরিবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনি। মখোয়না দ্রগকী করবারসি খুমাঙ য়াম্না চাওশিন্না তৌরে হায়বসি পোপী থারিবশিংনা ওপিয়ম কেজি অমমম মখোয়গী কুকিলেন্দগীদমক্তা পীখৎলক্কদবনি হায়রিবা ভাইরেল ভিদিওদুনা ময়েক শেংলবা খুদম চাংদম ওইরে। অসিগুম্বা ফৎত্রবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং অসি মরূ ফংনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা মূখৎকদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ৫

## ‘মেদাম ক্যুরি’ (নবেম্বর ৭, ১৮৬৭ - জুলাই ৪, ১৯৩৪)

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



(হান্নগী মখা চথজরকপা...) হয়েংদি ফিজিক্সকী টেষ্ট লৈ। য়েংশিলহৌদবা হায়গদ্রা লাইরিক পানবা হোৎনবদা অহিংদা মঙাল পীবীগদৌরিবা পোদোনগী থাও য়েংহৌদ্রে। হয়েংগী ক্লাস টেষ্টকী পাগদবদি ৱাৎলি। লাইরিক পাজনীংবনা ঙাওরবী মেরিনা মাগী মীহুৎথোঙ ওইনা হুৎলিবা অহোবা অদুদা য়েংবদা মপান্দা ইঙান ঙান্না পীরিবা মঙাল অদু উই। মঙাল অদুনা অহোবদুদা চঙলক্লগা মেরিগী অমম্বা কা অদুবু ঙালহনবদি নত্তে। তূমথবা ঙমদ্রবী মেরি মথোল তরুক্তুন্দগী মখাদা কুমথরকই। উরে ঙাল্লিবদু সোরবোন য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসপু কোইশিল্লিবা চেকপলদুগী ৱাংমদনি। মীয়াম চৎনরিবা লম্বী অদুবু ঙালহল্লিবা ষ্ট্রিট লেম্পশিংগী মৈঙালনি। য়ুনিভর্সিটিগী মেন গেট অদু ময়া খিত্তং কানা হাংবা উই। কেম্পস অদুদা লৈবা ওজা নত্রগা ওথোরিটি হল্লকপা ৱাৎপগী ওইবা য়াই। মহৈরোয়শিং অথেংবা অহিংদা কেম্পস ৱাংমদা থোকপা য়াদবগী অথিংবা কাঙলোনশিং তোক্লগা মখূৎতা পায়রিবা লাইরিক অদুতবু ঙাইহাক পাবা ফংলবদি খন্দুনা খ্বাইদগী নকপা ষ্ট্রিট লেম্প অমগী মখোঙদা চংশিন্দুনা মাঙজে নিনা চেনা থেকচিন্দুনা থল্লিবা লেশন অদু পাবা হৌই।

অহিংগী জীবশিংনা ঈশৈবু শল্লিব্রা নৎত্রগা মখোয়না তূম্বগী নাখোকপা মখোলবু ওইদোইরা অচিকপা অহিংদুগী নুংশিবা মখোল অমদি ওইরি। মখোল অদুনা মেরিগী লাইরিক পারিবা অদুবু থুগায়বা তৌদে। অহিংদুদা মানা তৌরিবদো কনাগুম্বনদি অঙাওবী ওইনা খনখিনি হায়বফাও মাগী তাঙলবা মীকুপ্পুদা নীংশিংলুবা নত্তে। ঙাইহাক্কী মতুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরুবদগী মশাগী খোন্থোক ইখোই খোইহল্লবা নিপা খরগী খোঞ্জেল তাবা ফংখি। খোঞ্জেলশিং অদো মঙোন্দা সুম-সুম নকশিল্লকই। মেরি লাইরিক পারিবদু তোক্লগা ফল্লম্বদগী ফুক হৌগৎতুনা মঙোন্দা তম্না চঙশিল্লক্লিবা নিপাশিংদুদা য়েংদুনা লৈ। নিপাশিং অদুনা থাজবগী ৱাংমদা থেংনরিবা মীরা-লাইরা খঙদবী অদুগী মনাক্তা অঙকপা ৱাখলগা লোয়ননা চঙশিল্লকই।

নিপাশিং অদুগী ৱাহংগী পাউখুম মাগী মশক তাকপা ওইনা পীদবা য়াখিদে। পোলেন্দগী ৱারসোদগী লাকপীনি। সোরবোন য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়নি। মমিংনা মেরি কৌই হায়না পাউখুম পীরে। নিপাশিং অদো শিন্মী ঙাক্তনি। মখোয়গী খূৎশুমল ফংবগী ঙাইহাক নুংঙাইথোক্লুবনি খঙলে। মতমদুদা পুলিসশিং অসি মীখা পোনবা লৈবাক্কী মীওইশিং ওইবনা লাঞ্জেন্নরকপী, তুশোনবা-তুশোনবী ঙাক্তা ওইনা পেরিস মচাশিংনা খল্লি। অৱাৎ-অপা নংলবীনি, ইয়া য়াগনি হায়বসিসু খনবা মাল্লি। হোটেল অমদা অহিং অদু লৈমিন্নরসি হায়না তকশিল্লকই। শেল মতিক চানা পীগে হায়না ফুরিৎখাওদগী খূৎশুমল ফংলকপগী শেল মপুলদো মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদগী শৎতোক্তুনা মেরিদা উৎলি। মেরিনা মহাক হয়েংগী ক্লাস টেষ্টকী ৱাৎহৌবা লেশন খরা পাজবনি। মাবু অরানবা মীৎয়েং থম্বীগনু হায়জবদু নিপাশিং অদুনা থৌওইনা তাবীখিদে।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা লমহেনবা ৱাখল পোকহল্লবা নিপাশিং অদুনা তুশোল্লবী মতৌ উৎলবী মেরিগী মশা শোক্লবা হোৎনরকই। মেরিদি থৌনা য়াওদবী নুপী অমদি নত্তে। অদুবু অহিংদুদা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস ৱাংমদা থোক্লুবগী মরাল অমা লৈরে খল্লুবনা মশাবু কঞ্জহৌনবা হোৎনবা নত্তনা করিসু থৌনা উৎনীংলুদে। নিপাশিং অদো কা অমা হেনজিল্লকখি। নান্থোক্লুবা হোৎনবগী লাক্লা ফানবা তাঞ্জাদুদা কার অমা থৌজিল্লক্তুনা মীওই খরনা নুপী অমবু ফা-পূন্নবা হোৎনবদুদা কার থৌরিবা নিপা অদু কুমথরকই। ৱাহং-পাউহং তৌবা পূম্নমক কান্থোক্লগা খ্বাইদগী নকপা নিপা অমা ফূবা হৌখি। অতোপ্পা নিপা অমদা ফূনবা চঙশিল্লকপদা নিপাশিং অদো খুদুপ থাদুনা চেনখি। মেরিনা খঙই নিপা অদু মাগী ক্লাসতা ফিজিক্স তাকপা ওজানি। মেরিনা মহাক ওজাদুগী মহৈরোয়নি হায়রকপদা ওজাদুনা য়েংলুবা তৌদনা কেম্পস মনুংদা চঙখিনবা হায়রকই। মেরি চঙলকই। ওজা অদুনা মেন গেট অদু মকা লাম্না হাংলগা মাগী কারদু থৌজিল্লকই।

মেরিবু অহিংদুদা কনবীখিবা ওজা অদু অতৈ নত্তে পেরি ক্যুরিনি। পেরি ক্যুরিসি য়াম্না ইকায় থিগনবা ওজানি। মহাক্লা মহৈরোয় নুপীবু মশক খঙনবা মুন্না য়েংবা তৌদে। মানা লুহোংনবা থৌরাং তৌরবী নুপী অদো লুহোংলমদাইদা এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবদগী নীংবা কায়দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারিবনি। পেরি ক্যুরি কুমজা ১৮৫৯গী মে ১৫দা পেরিসতা পোকই। ডাক্তর য়ুজিন ক্যুরি অমদি সোফিয়া ক্লেরি অনীগী মচানি। মতম অসি পেরি ক্যুরিনা সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা ফিজিক্স অমদি কেমিষ্ট্রিগী হেদ ওইবা মতমনি। তাইবঙ মপূগী নোংদম হায়গদয়া পোলেন্দদগী লাক্লগা পেরিসতা লৈরিবা প্রোফেসর এম কোভলাস্কিনা মেরিবু নোংমা কৌরম্মী। কোভলাস্কি অসি মেরিগী অনকপা মরী থোকই। মেরিগী শোল্লবা মপানা মচাবু খরা য়েংশিনবীনবা হায়রকখিবগী মতুংইন্না মেরিসু মাগী লৈফমদা অমুক্তং লাক্লবা কৌবনি। অমরোমদা পেরি ক্যুরি অসি কোলভাস্কিগী চান্নবা মরুপ ওইরম্মী। মেরিবু পেরিদা শক তাক্লগা মাগী ষ্টদিজদা তেংবাংবীনবা শকখঙনহনগে খল্লুবনি।

মেরিনা কোভলাস্কিগী য়ূমদা থুংলুরবদা ইমুংগী থোঙনাও অমগী মনাক্তা পেরি লেপ্তুনা লৈরম্বা উখি। মেরিবু শক তাক্লবদা নীংশিংলকই মেরি স্কালোদোশকা হায়বা মিং অমা। মাগী ফিজিক্সকী ক্লাস টেষ্টতা মার্ক ৱাংনা ফংখিবদো। ‘ঐদি সারবু খঙই’। ‘করম্না, ঐসু নঙগী মিংসি থেংনখিবগুম’ ‘ঐ সারগী ক্লাসকী মহৈরোয়নি’। ‘ও ঐগী ক্লাসতা পোলেন্দগী ব্রোনিয়া স্কালোদোসকা কৌবী অমসু খঙখি।’ ‘মহাক হৌজিক্তি নীংতম ঈহৌদা য়াওখ্রে। নীংতম লান্মীগী ডাক্তর ওইখ্রে। দাদা কেরোলগী তুং ইনখ্রে’। ‘মাবু খঙব্রা?’ ‘ঐগী পোকমিন্নবা ইচেনি।’ অনীদুগী ৱারীদুনা শক তাক্লবদা কোভলাস্কিগী থোইনা লুবা ওইদ্রে। কোভালাস্কিগী নুপীনা পুথোরক্লিবা চাদো থক্লা থক্লা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অহিং অমদা ষ্ট্রিট লেম্পতা লাইরিক পারুবগী থোকখিবা থৌদোকশিংদো মেরিগী মচিন্দগী তাখি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পেরিবু ঙাওহনখিবা অহিং ওইবনা নীংশিংবদা পেরিগীদি মমি শামিবা ওইখি।

পেরিগী নীংবা কায়বা ৱারীদো মেরিনা মুন্না তারবা তুংদা হায়রকখি। “ঐসু সারগুম পূন্সিদা খ্বাইদগী নুংশিজবা কাজমীর কৌবা নুপা অমা কায়নখি। অদুবু নুংশিবা কায়নবগী মৈচাক খাঙনবা ঐদি সারগুম নোংমতা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা লোয়নখিদে।” মেরিনা কনাবু ইকায়বা পীবদি নত্তবা, অতাবা মীদুনা খনজিল্লুরগা ইকায়জবা পোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অদুনা পেরিবু মীৎকপ থোকহনবগুম তৌই। মেরিগী মায়থোঙদা থৌনা ফনা য়েংনীংবা পোক্লকই। লুরাক্লনা ফল্লিবী, মথৌনানা মায়থোঙগী মচুশঙবগুম উরিবী স্কালোদোসকা শাগৈগী পোলিশ নিঙোলদো মাগী এক্সিদেন্টতা কায়নখিবী নুপীদুমক ওইনা উখি। মেরি চৎখ্রে। পেরিদি পংথরবা মীওইবা অমগী মতৌদা ফল্লি। কোভলাস্কিনা হারকখিবনি ‘মরূপ মোরিসে লায়রবনা পৎ তৎলবা ইমুংদগীনি। মমা লৈখিদ্রে। মপা শোল্লে। মহৈ তম্নবা মাগী শেল থাবীরক্কদবা মী লৈতে। মাবু য়েংশিনবীবগী থৌদাং সোরবোন য়ুনিভর্সিটিদা মানা তল্লিবা সবজেক্টকী ওজা অমা ওইনা মতেং পাংবীয়ু।”

তাইবঙ মপুগী থৌশিলনি হায়সিরা? পেরিনা মেরিগী থাওমৈ ওইখিব্রা? নৎত্রগা মেরিনা পেরিগী উরুম ওইখিব্রা চহী ৮ থা ৬ নুমিৎ ৮ খেন্নবা পেরি-মেরি কুমজা ১৮৯৫দা লুহোংখি। মরমদি নুংশিবদি মঙোন্দগী মাঙখিবদা মহাক খাঙবা ঙমখি। লৈতবনা মরম ওইরগা সাইন্সনা মঙোন্দগী মাঙখিবদি মহাক্লা খাঙবা ঙমগনি হায়বা থাজখিদে। সাইন্স নত্তনা মীওইবা খুন্নাইনা চাওখৎপা কৌবা লম্বী অমদা য়ৌবা ঙম্মোই হায়বসি মেরিগী অচেৎপা থাজবনি । মরম পূম্নমকসিদা য়ূম্ফম ওইরগা কায়রবা পেরিগী য়ুরবা হিরেনগুম লূপ্লি-লূপ্লি তাইবঙ ঈপাক্তা তাওদুনা লৈরম্বদু মেরিগী থম্মোয়না চেৎনা মেনখি। পেরি-মেরি পুংবানা ঙসিগী সাইন্সকী তাইবঙদা অঙকপা কয়া উৎপা হৌরকই। *(মখা চথজখিনি)* ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬কী ৱাহং

১) মৈতৈলোনগী অহানবা টিকেট লৌদুনা শান্নখিবা ড্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) **“অতিয়া লৈরোনখাদা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **“শামু হূরানবা অমসুং সনাগী ক্রোস”** হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোনদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“মীতৈ থৌরমলোন অরিবা”** কৌবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **“মঙদাবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ষ্টেটকী পাউ

# স্কাই হোস্পিটালনা ফ্রী হেলঠ কেম্প পাঙথোক্তুনা মীওই ১০৯ রোম লায়েংখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):** স্কাই হোস্পিটাল অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেশননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোইদাংপোক্তা লৈবা রিসেন্ট য়ুথ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা হার্ট স্ক্রিনিং কেম্প অমা থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ৯দগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ প্রাইভেট লিমিটেদকী পব্লিক রিলেসন ওফিসর ঈ নরেসনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, থা অসিগী ১৮গী হৌদুনা চথরকখিবা ফ্রী হার্ট স্ক্রিনিং কেম্প অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীয়ামশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীদুনা হার্টকী লায়না মাংজৌননা খঙদোকপা অমসুং লায়না অসিগী লাইওংশিং খঙদোক্লবগী খুদোংচাবা পীখি।

কেম্প অসিদা অনাবা মীওই ১০৪দা লেম্না ও পি দিগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা অনাবা ৪১দা লেম্না ইকো টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীখি। অনাবা ৬০দা ঈ সী জিগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা অনাবা মীওই ৮দনা লেম্না ব্লদ সুগর টেষ্ট তৌখি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অনাবা মীওইশিংদা হীদাক লাংথকশিং লেম্না য়েন্থোকখি। কেম্প অসিগী মনুং চন্না ন্যু কৈথেলমানবী, পাৎশোই, খুম্বোং অমসুং অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিংদসু লেম্না হার্টকী লায়না মাঙজৌননা খঙদোক্লবগী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

স্কাই হোস্পিটালগী চেয়রমেন এন্দ চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা ফ্রী হার্ট স্ক্রিন্নিং কেম্প অসিদা মোইদাংপোক য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওইশিংনা শরুক য়াবদা অপেনবা অমসুং হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা স্কাই হোস্পিটাল অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসননা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মতম মতমগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ফ্রী হার্ট স্ক্রিনিং কেম্পতা মীয়াম্না শরুক য়ানবা অপিল তৌখি।

# শাশিন্নবা আই এল পি পাস ইস্যু তৌবদা চেন্নবনি হায়বা ১ য়াওনা ৩ ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):** শাশিন্নবা আই এল পি পাস পায়রগা মণিপুরদা চংলকপা মীওই অনী অমদি শাশিন্নবা আই এল পি পাস পীবদা চেন্নবনি হায়বা দি সী তমেংলোংগী ষ্টাফ অমসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

অশাবা আই এল পি পাস পায়রম্বগী ফারবা মীওই অনী অদুদি সামবাবু রবিদাস (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা বাবুলাল রবিদাস কৌই। মহাক অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লক্ষিপুরগী কপ্টানপুর ঘাট ১৬তা লৈবনি। মহাক্লা লোয়নবা শিন্মী অদুগী মমিংনা বিহারগী পিওরি খুলদগী জিতেন্দ্র কুমার (৩০) অপোকপা সুভনরায়ন রায়নি। দি সী ওফিস তমেংলোংদা আই এল পি পাস পীবদা চেন্নরিবা ষ্টাফ অদুগী মমিংনা গাইফুলুং বাস্কো কৌই হায়রি।

সামবাবু রবিদাস তমেংলোংদা প্রোজেক্ট অমদা থবক তৌবা শিন্মীনি। মহাক মমাং চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা চহী অমগী আই এল পি পাস লৌরগা লাকপনি। মহাক মমাং চহীগী দুর্গা পুজা মতমদা ময়ুমদা চৎলুরবা মতুং অমুক চহী অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ৯দা তমেংলোংদা লাকখিবনি। মহাক্লা তমেংলোংদা লাকপা মতমদা জিরিবামগী আই এল পি পাস অদু চেক পোষ্টতা লৈরিবা পার্সনলশিংনা চেক তৌবদা মহাক্কী ওইনদি আই এল পি পাস অসি চহী অমগী লৌবনি। মহাক্লা য়ুমদা চৎলুবা মতুংদা অমুক হন্না রিন্যু তৌবনি হায়রকপদগী মহাক্কী পাস অদু চেক তৌদুনা থিজিনখি।

পুলিসনা থিজিনবা মতমদা মাগী আই এল পি পাস অদু ওনলাইনদা অপলোদ তৌরমদবা থেংনবদগী চিংনদুনা ফারগা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক্কী পাস অসি তমেংলোংগী প্রোজেক্ট অমদা শিন্মী ওইবা জিতেন্দ্র কুমারনা মতেং পাংবীদুনা শাখিবনি হায়রকপদগী জিতেন্দ্র কুমার পুলিসনা ফাখি।

মখোয় অনী ফারবা মতুংদা শাশিন্নবা পাস অদুগী খোঙ্গুল লিরকপদা দি সী ওফিস তমেংলোংদা হাংবা আই এল পি পাস ইস্যু তৌবদা ষ্টাফ ওইবা গাইফুলুং বোস্কো পুলিসনা ফাগৎখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা হান্না ফাবা সামবাবু পুলিসনা থাদোকখ্রে অদুগা জিতেন্দ্র কুমার অমদি গাইফুলুং বোস্কোদি পুলিসনা মখা তানা রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং পাউহং তৌরি।

## চৈরাক পীবদা মতেং পাংবীয়ু ...

*লমায় ১গী মখা...*

লোয়নবী মতৈমা থোকপা অমগসু অরোনবা মরী লৈনরম্বা থৌদোক অদু লুম্না লৌবগা লোয়ননা মনাওনুপী অমসুং মতৈমদা ৱারক ৱাতেম তৌবদা লুপ অসিগী কাদরশিংনা ৱাহৈ ৱাতা ফজদবা শীজিন্নখিবা অদু লুপকী পি আর ও অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা শোয়খ্রে হায়না অহানবদা থমজগে।

হায়রিবা মীওই অসি লুপ অসিগী এক্সন টিমনা থিবা হুম্বগী থবকসু কন্না চথজরি। লুপ অসিনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফংবা রিপোর্ট অমদা মচল মচে, মতৈমা, মনাওনুপী মশক খঙলক্তুবা শাদগী হেন্না শাথিরবা লৈশাংথেম কোবা অসি মশাবু কঞ্জনবা য়াওল্লুপ অমদা চংজদুনা লৈরি হায়বা পাউ লুপ্না খঙবা ঙমজরে। হায়জ নিংবা ৱাফমদি লৈশাংথেম কোবা হায়রিবা খুন্নাই অসিগী য়েক্লবা মীওই অসি কনাগুম্বা য়াওল্লুপ নত্রগা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন (সী এস ও) নত্রগা লৈকায়গী ক্লব অমত্তনা চংজফম পীবিগনু অমসুং মহাকপু লুপ অসিদা শীন্নবিদুনা মশাগী মরালগী মতুংইন্না লৈবাক মীয়াম খঙনা চৈরাক পীবদা য়াওল্লোয় লুপশিং, সী এস ওশিং অমসুং ক্লব/ওর্গনাইজেশনশিংনসু লুপ অসিবু মতেং পাংবীয়ু হায়বা ৱাফম অসি চেরোল অসিগী খুথাংদা হায়জরি।

# লোল য়াওদনা কলচর মপুং ফাবা ঙম্লোইঃ প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):** লোল য়াওদনা কলচর মপুং ফাবা ঙম্লোই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ভারতিয়া ভাষা সমিটি অমদি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী) গী মখাদা মণিপুর, ভাষা সম্বরধন সমিটি (এম বি এস এস) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা একাদেমীক রাইটিং টু দিভেলপ টেক্স বুক্স ফোর হায়র এদ্যুকেশন ইন ভারতিয়া লেঙ্গ্যুএজ মণিপুর হায়বা হীরমদা নুমিৎ নীনি চথুগদবা লাইরিক ইবশিংগী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা য়ু জি সী ন্যু দেল্লিগী দিপ্যুটি সেক্রেটরি ডা. শ্রিগানকা সেখর সর্ম, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভি সী প্রোফেসর এন রাজমুহোন অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভি সী প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রোসু থৌরম শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম বি এস এস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নোদল ওফিসরসু ওইরিবা প্রোফেস এন লোকেন্দ্রনা লোল অমদি কলচর পুন্না চৎমীন্নরবা মতমদা লমদম অদুগী চপ চাবা মশক মওং তাকপা ঙমগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেশনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) ২০২০ লাকপদগী স্কুল এদ্যুকেশনদগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা লম লমগী লোলশিং মপুং ফানা তম্বগী তঙায়ফদবদু লাক্লে। মসিনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা লোল অমসুং কলচর মপুং ফানা খঙহনবদা চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়খি। থৌরম অসিদা এম বি এস এস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নোদল রিপ্রজেন্টেটিব প্রোফেসর এস ইমোবা য়াওনা য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজ শিংগী ওজা কয়াসু শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।